HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ডা. ক্ষেত্রিময়ূম কলানা লেপ্তনা তৌরকখিবা সোসল ৱার্কশিংবু শকখঙলদুনা বহুজন সাহিত্য একাদেমিনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট নেসনল এৱার্দ -২০২৩ পীদুনা ইকায় খুম্নরকখিবা (লমায় ৭)

খোঙনা শাংনা চৎপনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা ঙম্মী হায়বসি... ☛ লামায় ২

'হিল এরিয়া কম্মিটি হায়বা ৱাহৈ অসিনা মীতৈশিংগী রাইট মৎপিরে' লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম' ☛ লামায় ৯

হৌদোকপা নুমিৎতা এস এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু পাঞ্জল ... ☛ লামায় ১০

চহী ৬০ হেল্লবী কৈথেল ফম্বী ২২দা খ্বাইরম্বন্দ ফৌওইবী ইমা কৈথেল ভেন্দরস ৱেলফেয়র য়ুনিয়ননা থা থাগী পীরকপা লুপা ৫০০/৫০০গী পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপা (লমায় ২)



Vol. 47, Issue No. 205 | শগোলশেন, মেরাগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 19, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# থা ৫ হেন্না চঙবা ঙম্লক্ত্রবা কুকি খুল ৮ ফাওদুনা চৎলগা উখ্রুলদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখ্রে, তাঙ্খুল ১সুং মীতৈগী ম্যুজিয়ম শানবা উরেপ তমখ্রে

# উখ্রুলবু মণিপুরগী সম্মর সীটি ওইহন্নবা হোৎনরগনি : বিরেন

## মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং নেমচা কিপগেন কেবিনেট মীফমদা শরুক য়ারখিদ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):** চহী অসিগী হৌখিবা মে ৩দগী চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী থা মঙা হেন্না চঙবা ঙমদনা লৈরকখিবা কুকি ফ্রুপশিংগী তোঙান তোঙানবা খুল ৮ ফাওদুনা ঙসি ইম্ফালদগী উখ্রুল তান্না চৎতুনা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তাঙ্খুল অমদি মীতৈগা লৈনরিবা ঈগী মরীবু হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা তাঙ্খুল-মীতৈ ম্যুজিয়ম অমসু শানবা উখ্রুলগী হুন্দুংদা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমদা অপূনবা এজেন্দা ১৭কী মতাংদা খন্ন-নৈনরগা এজেন্দা ১৬ এপ্রুভ তৌখি। এজেন্দা অমনা অথুবা মতমদা এপ্রুভ তৌরগা থবক্তা ওন্থোকপা হৌরগনি হায়বগী ৱারেপ লৌখি।

কেবিনেট মীফম পাঙথোল্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট ২৩ লোমগী থবক পায়খৎনবা দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট ইনোগ্যুরেট তৌখি। লোয়ননা সী এমবু উখ্রুলগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খিবদা, পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি শুপ্নগী লৈবাক খুন্নাই অদুগী চাওখৎনবা অমদি তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোল্লবা ওইনা পোলিটিক্স তৌগদবনি। অদুবু মীওই খরনা মীয়াম্বু লান্না হুমদুনা পুনবা অমদি চাওখৎপদা থিন্থনবগীদমক পোলিটিক্স তৌরিবা অসি তৌহন্নিংদে। ইন্টরনেটসু নুমীৎ মরীনি-মঙানিগী মনুংদা হাংদোক্লবা হোৎনরগনি। লৈঙাক্লদি ইন্টরনেট হাংনবা হোৎনদুনা লাকখি।

অদুবু মণিপুরবু ঈরাং অদুমক থোকহন্দুনা লৈবা পাম্বা মীওই খরনা থৌরাংলকপদগী তঙাইফদনা ইন্টরনেট থিংবনি। উখ্রুলগী মীয়াম্না য়াম্না খৌরাংনা ঙাইরকপা তোলোয়দা পুলিস ষ্টেসন অমা হাংদোকপীয়ু হায়দুনা লাকখিবদু অথুবদা হাংলগনি। লোয়ননা নর্সিং কোলেজ অমসু হাংলগনি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা মেদিকেল কোলেজ অমমমসু প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা হাংদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী এমনা মখা তারদুনা হায়খি, বি জে পি গভর্ণমেন্ট লাকখিবদগী চীং অমদি তমগী মরক্তা লৈরম্বা গেপ অদু ঙসিদি লৈত্রে। উখ্রুলবু অমুক্কা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরগনি অদুবু উখ্রুলগী মীয়াম্না দিভেলপমেন্টগী থবক পায়খৎলক্কদৌরিবা অসিদা লম পীবিনবা থৌরাং তৌবিয়ু। উখ্রুলদা থক্লনবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিসু মতিক চানা ঈশিং পীনবগী সর্ভে তৌবা হৌরে। মরম অদুনা অথুবদা ঈশিং ফংহন্নবগী থবক পায়খৎনবা লুপা ক্রোর ৬ কায়থোল্লগা থল্লে। শিরুই চিংগী মখাদা লুপা ক্রোর ২০০ লোম চঙনা দাম অমসু শানবা হোৎনরি। ইম্ফালদগী উখ্রুল ফাওবগী লম্বী অসি শেম্বগী থবকসু য়াম্না কন্না চংখরি। অথুবদা লম্বী অসি ফোর লেনগী মওংদা উবা ফংলগনি। মণিপুরগী পুৱারী নমশিন্দুনা থম্বা য়ারোই অমদি লান্না পুবসু য়ারোই। মতম অমদা লৈরুম ফীবু মীতৈগীনি অমদি তাঙ্খুলগীনি হায়না মুন্নরম্বা অদুদা মীতৈগা তাঙ্খুলগী শোয়দনা ঈগী মরী অমা লৈরমগনি হায়খিবদু ঙসিদি য়াম্না ময়েক শেংনা অশেংবা মরী অদু মীয়াম্না খঙবা হৌনরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা মিনিষ্টরশিং টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, ৱাই খেমচান্দ, ডা. সাপম রঞ্জন, ঐচ দিঙ্গো, এল সুসিলদ্রো, খাসিম ভাসুম, অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং টি ঐচ বসন্তকুমার শরুক য়াখি। অদুম ওইনমক মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং নেমচা কিপগেনদি ঙসিগী কেবিনেট মীফম অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবা অমসুং উরেপ তম্বগী থৌরমশিংদা শরুক য়ারখিদে।

ঙসিগী শঙ্গাবা অমসুং উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা মিনিষ্টরশিং অসিসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈ, এম এল এশিংদা কে ঐচ জয়কিষণ, টি ঐচ শ্যামকুমার, জাংহেমলুং পামৈ, জে কুমোসা, কে ঐচ ইবোমচা, এম দি অসবউদ্দিন, এল শান্তি, লৈসিও কৈসিং শরুক য়াখি। ওফিসলশিংগী মরক্তনা চীফ সেক্রেটরি ডা. বিনিট জোসি, উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর জোরিংলা কেংগুনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং, ভিলেজ চীফশিং, চর্চকী লিদরশিং অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। মখোয়গী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংদা তোঙান তোঙানবা মেমোরেন্দমশিংসু পীশিনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফালদগী উখ্রুল তান্না হেলিকোপ্তরনা লাকখ্রবসু মহাক্কী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং য়াওনা ওফিসলশিং অমসুং পাউমীশিংদি লৈখা লম্বীদা চৎখি।

ঙসিগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখিবা অদুগা খরগীনা উরেপ উয়ুং তম্বগী পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারখিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনেষ্ট্রেসনগী ওফিসিএলশিংবু উখ্রুলগী ভিলেজ চীফশিং, সী এস ওশিং অমসুং উখ্রুলগী খুঙ্গাশিংনা হরাউ তয়াম্না ওকখিবগা লোয়ননা খুদোলপোৎ কয়াসু তমখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা উরেপ তমখিবশিংগী মনুংদা পি এম অভিমগী মখাদা শাগদবা ফুংচাম অমসুং শিরুইগী পব্লিক হেল্থ সব সেন্টর, উখ্রুল, চিঙাই, জেসামি, সংসক, সোমদল অমসুং লিতান পুলিস ষ্টেসনগীদমক মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মখাদা শাগদবা টাইপ ফোর, থ্রী অমসুং টুগী পুলিস ক্বার্টরশিং, হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফেয়র লোয়শঙগী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলগী মখাদা উখ্রুলদা শাগদবা গভর্ণমেন্ট চিলদ্রেন হোম, উখ্রুলদা শাগদবা কলচরেল সেন্টর কম মল্টিপর্পজ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## চীফ মিনিষ্টরবু উখ্রুল অমসুং কামজোংগী মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে

## নুমিৎ ৪/৫নিগী মনুংদা থিংদুনা থম্লক্লিবা ইন্টরনেট হাংদোক্লবা হোৎনরগনি : চীফ মিনিষ্টর

# গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুর চৎলুবদা কুকি-জৌ নুপীশিংনা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন' গী দিমান্দ তৌরদুনা ঙাইহাক লম্বী থৎলুরে



## চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ধারুন কুমারনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে

**দেল্লী, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা কাঙলুপ মশেলগী তমথীরবা লান থোরকখিবদগী লান অসিনা অৱা চৈথেং পীরবা চীং অমসুং তমগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়াদা পাংবা য়াবা শেল অমদি পোৎচৈগী তেংবাঙশিং পীদুনা লাক্লিবা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি অমুক হন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অনীগী মীওইশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা চৎলুবগী লম্বীদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লুপা ক্রোর ১ রোমগী হিরোইনগা কোন্ননা কুকি নুপী ৩, মুসলিম নুপা ১ ফারে



**কোলকটা, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী) :** মে ৩দগী মণিপুরদা কাঙলুপ মশেলগী তমথীরবা লান থোরকখিবদগী থল্লকখিবা অথিংবশিংনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিদা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী ত্রাঞ্জিৎ পোইন্ট ওইরমখিবদু হোংদোক্লখিবদগী মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবগী চাং হেনগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা বেজ তৌবা দ্রগ ত্রাফিক্কিং রেকেট অমা থুগাইদুনা মসিদা য়াওরম্বা মুসলিম নুপা অমা অমসুং কুকি নুপী অহুম লুপা ক্রোর অমা হেনবগী হিরোইনগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এস টি এফকী টিম অমনা অকক্লনা ফংখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অদুগী মুরসিদবাদতা লৈবা মফম অমদা থি-হুন্বগী থবক চংখিবনি হায়রি। ৱেদ অদুদা মীওই মরি অসিদগী লুপা ক্রোর অমা হেনবগী মমল ওইগদবা হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ১.১৩০ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি। ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি মুসলিম নুপা অদুগী মমিং এম দি মেফতাহুল ইস্লাম কৌই অদুগা কুকি নুপী অহুমদুগী মমিংশিংনা মেরলিম খোলনৈলিং, নেম্পি ঙাইলুট অমসুং ঙানৈকিম হাওকিপ কৌই হায়রি। মখোয়বু ফাবগা পন্থদনা ৱাহং পাউহং চংখবদা ইল্লিগেল দ্রগশিং অদু কুকি নুপী অহুম অসিনা নাগালেন্দগী দিমাপুরগী মফম অমদগী পুরক্লগা ফাবদা য়াওরিবা এম দি মেফতাহুল ইস্লামদা খুৎশিন্নবা পুরকখিবনি হায়বসু খঙলে হায়রি। য়াম্লবা দ্রগশিং অসি ফাগৎপদগী মখোয় মরিগী মথক্তা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী মখাদা মুরসিদবাদকী পুলিস ষ্টেসন অমনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১দসু এস টি এফনা নার্কো দ্রগ স্মাগ্লিং রেকেট অমা হাওরা দিষ্ট্রিক্টতা থুগাইখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১০ রোমগী মমল ওইগদবা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১০০ ফাগৎখ্রবনি হায়রি।

### মীওই ১ শিরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুংথিল পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা গাড়ীনা থোল্লম্বনি চিংনবা ৱাংজিং খুনৌদগী সোরোকখাইবম সরত (৪৫) অপোকপা এস খোইমু কৌবা মীওই অমা ৱাঙুকারবোং হায়না খঙনবা মফমদা শিদুনা লৈরম্বদগী পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):** হয়েং ওক্টোবর ১৯দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্টতা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭, ককচীংদা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬, বিষ্ণুপুরদনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## HL Poll

Q : Angamba pangal loushing sijinnaduna achumba asengba nganglakpasing charam metpana tamthiraba Lan ashi lephanba ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lan pathare haiduna penthokpagi mahutta chap chana amuk hanna chatharaklaroi haibagi leikhai tathoknabana achumba phirep oiroidra?

Yes 86% No 14%

## অস! লোইরেহে!

- করিগীনো খজিক্তং থাজিন্নৌ হায়রগা।



- তাদনা শেংনা হায়বিদেদো!

# 'বফর জোনগী দিমার্কেসন তৌবগা মান্নরে, লৈঙাক্লা মমুৎ তানা য়েংশিনগদবনি'

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :**

হৌজিক মণিপুরদা চংখরিবা লাল্লোংদা বফর জোনগী দিমার্কেসন তৌবগা চপ মান্নরে হায়রদুনা লৈবাক অমগী মনুংদা তৌহৈদবা থবক চংখরক্লিবা অসি লৈঙাক্লা মমুৎ তানা য়েংশিনগদবনি হায়না কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ, কংলৈপাক (সী সী এস কে) গী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা পাঙথোকখিবা মীখলগী অহানবা মণিপুর এসেমব্লি হৌদোকখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম কম্মিটি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম মপু ওইখিবা প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, তম্পাক্কী পেরিফেরি এরিয়াদা কুকিশিংনা য়ুম মৈ থাবদগী লাঞ্জেন্নরকখিবশিং অমুক হন্না মশা মশাগী লৈফমদা চঙশিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। ফৌগাকচাও ইখাইদা কোকোমিনা চঙশিনখিবা খোঙজংদগী হৌজিক মীওই খরা চঙবা হৌরে। অদুবু লান লোইবদি নত্তবনিনা মপূং ফানা নুংঙাইবা লৈত্রবসু তান্থোরকখিবা মফমদা চঙশিনবগী নুংঙাইবদি লৈরে হায়খি।

মখা তানা তাংজেং অমসুং নাপৎ খুলদা লৈরম্বশিংসু থেঙ্খাং নাইনা চঙশিন্নবা হোৎনরি। ঙরাংসু কুম্বী এ সীগী মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবকী য়াওনা মীয়ামগা ৱারেপ লৌখ্রে। দোলাইথাবী, ইকৌ, মাইরেনপাৎ, য়েংখুমানদগীসু মৈ থাদুনা তান্থোরকখিবনি। মসিগীদমক খুন্দ্রাকপম এ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# কুকিশিংনা তৌনীংবতা তৌবা ঙম্লিবা মখোয়গী নীংতম্বা অসিদগী অহেনবা করি পাম্লিবগে : বিজয় কোইজম



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ য়েলহৌমীশিংদা চংখরক্লিবা এটেক অসি থা ৫ মখায় ফারে। অদুবু ঙসি ফাওবদা ইনিদয়া লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্স মশীং য়াম্না থারকপগা লোয়ননা ইম্ফাল মনুংদা পিছ পুরক্লে হায়না লৈঙাক্লা ক্লেম তৌরক্লিবা অসি করম্বা মওংদা পুরক্লিবনো হায়না কুপ্পা নৈনবা মথৌ তারি হায়না এক্স মিনিষ্টর বিজয় কোইজম্না ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা মহাক্না হায়, ঙরাং নহানসু পেরিফেরি এরিয়াদা লৈবা মীতৈগী খুলদা নোংমৈ কাপ্লকখি। ঙসি অয়ূক অঙনবদসু নরানসৈনা মনীংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মসিনা তাকপদি হায়রিবা মফমশিং অসিদা দিপ্লোই তৌরিবা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং মতিক চানা মথৌ তৌদ্রে হায়বনি। থৌদোকশিং অসি অতৈ মফম খরদসু থোক্তবা নত্তে হায়রদুনা সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# পোলিটিকেল পার্টি ১০না গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা খোঙচৎকী ৱাথোক মহৈরোয় ৫ অমসুং এন এস য়ু আইগী সেক্রেটরি কোর্টনা বেল পীখ্রে

## সব ইন্সপেক্টর ১গী মথক্তা কোংগ্রেসনা এস পিদা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে

## অচোইবম দেবেন ফাদনবা হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩গী নুংথিলদা কোংগ্রেস য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী লুচিংবশিং অমসুং থৌমীশিংনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদগী রাজ ভবন তম্না খোঙচৎ অমা চৎতুনা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা হোৎনখিবদা লমখাংদা পুলিসকা মূক্লখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সিটি পি এসকী সব ইন্সপেক্টর এন গভস্করনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্টকী মতুংইন্না পি এস অসিনা লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৪দা য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনি হায়দুনা ফারগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থম্লকখিবা এম য়ুগী মহৈরোয় ৩ য়াওনা মহৈরোয় ৫ অমসুং এন এস য়ু আইগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিবু ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেলদা থাদোকখ্রে।

ঙসি কোর্টনা বেল পীখ্রবশিংদি সঙ্গাইয়ুম্ফম নিংথৌমমাঙ লৈকায়দগী এম দি রফি (২৫) অপোকপা এম দি ইবোমচা, পাৎশোই পার্ট টুদগী চোংথাম রাজেস (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ লৈবাকমচা, ককচীং ময়ায় লৈকায়দগী য়েংখোম অমিৎকুমার (২৬) অপোকপা ৱাই ঈশিংচাওবা, ঙাইখোং খুলেন ময়ায় লৈকায়দগী সতিন তখেল্লম্বম (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি তোমচৌ, লৈশ্রাম ময়ায় লৈকায়দগী নিংথৌজম মহন্ত (২২) অপোকপা এন গোবিন্দ্রো অমসুং লিলোং অচৌখোংদগী এম দি অরিফ (১৯) অপোকপা এম দি ৱাহিদ খাননি। মখোয় তরুক্কী মনুংদা মহন্ত, সচিন অমসুং অমিটকুমারনা এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনি। এম দি রফিনা লো কোলেজগী মহৈরোয় ওইরগা এম দি অরিফনা টি দি সী লাষ্ট সেমিষ্টর তম্লিবনি হায়রি।

মখোয় তরুকপু ঙসি পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী পুলিস কষ্টদি মতম লোইরদুনা কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয়গী মায়কৈদা এদভোকেট এস শ্যামচরননা লেপ্তুনা রিমান্দ ওবজেক্সন তৌখিবগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# মে ৩দা কাংভাই তম্না থোমজিল্লকখিবা কুকিশিংদু চুড়াচান্দপুর পুলিসনা মাঙ থারগা লমজিংদুনা পুরকপগুম উখি-১

## হকথেংনবা পাউদম

### কাংভাইদগী খুঙ্গাশিং

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মে ৩দা লান হৌরকখিবা নুমিৎতুমক্তদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা পানবদগী কুম্বীদগী মীওই অমা শোকখি। অদুবু মহাক লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা নোংঙাল্লগা শিরে হায়রকখি। হন্দক্কী লান অসিদা ইহান হান্না শিবা মীওই অসি মহাক শোয়দনা ওইরমগনি হায়না চুড়াচান্দপুরগী কাংভাইদগী ঙাঙোম ধনজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঈরাং হৌরকখিবা কুকিগী মীওইশিং অদু চুড়াচান্দপুর রোমদগী মশীং খঙদনা লাকখিবনি। খ্বাইদগী ঙকখিবদি য়াম্লবা মীয়াম অদুগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা লম্বী চিংলগা লাকপদৌনা মাঙ থাদুনা লাকখিবদুনি। কুকিশিংনা মহৌশাদগী রেল্লিনচিংবা চৎপা অমসুং লাঙবগী থবকশিং তৌরকপা অসিদি অনৌবা ওইদ্রে। মমাঙথক্তসু থোকখ্রে। অদুগা মখোয়না ঈরাং হৌরকপদা পুলিসশিংনা মতম চানা টিয়র গ্যাস



সেলনচিংবা কাপ্তুনা তানখায়রগা অদুমক ঈংথনখিবনিনা নুমিৎতুসু থোইদোক্লা লুনা খঞ্জিল্লুদে। কুকিশিংনা ঈরাং হৌরকখিবদু হামু-হামুনি হায়না খন্দোক্লুই। ঐহাক্তি কাংভাই কৈথেলগী লম্বী মপান্দা দুকান ফমদুনা লৈজবনি। ইশাগী গোদাউনসু লৈ। ঐ খক্তা নত্তনা মরী-মরী শম্নদুনা ইচিল ইনাওশিংসু মচা-মমৌশিংগা লোয়ননা য়ূমলেং পরেং ওইনা লৈমিন্নরকখিবদা নত্তনা মখোয়সু ঐগুম্না দুকান লোইনা ফম্মী।

ইচিল ইনাও ময়াম লৈমিন্নবদা চিনশিল্লক্লে হায়দুনা ঐগী অতোপ্পা ইখ্বোল লৈরগা হোংদোরক্তুনা য়ুম শারগা লৈরকখিবনি। টিদ্দিম লম্বী পরিংগী মমাঙদা ঐগী য়ুম লৈ। অদুগা দুকানগা লাপ্নবনা শুপ্নতগী মিটর ২০০ রোম খক্তনি। অয়ূক্কী চাক্লা দুকান্দা চাই অদুগা নুমিদাংগী চাক্লা য়ূমদা চঙলগা থোংলগা চাই। ঐনা য়োল্লিবা পোৎ চৈশিংনা হার্দৱেয়রগী পোৎলমশিং অমসুং নুপী অঙাংগী অকে অমৌগী পোৎ চৈশিংনি। ঐগী নুপীনা মিনি এ টি এম অমা শেন্নবগা লোয়ননা সনাসু খরা খরা বন্ধান লৌই।

মে ৩গী নুংথিল পুং ৩দগী ৩.৩০ মুক তারকপা অদুৱাইদা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পগী মখোল তারকখি। তাঞ্জাদুদা ক্লাস ফাইভ তম্লিবী ঐগী ইচানুপী য়াইমগী এগজামিনেসনগীদমক মহাকপু দুকান্দা লাইরিক তাক্তুনা লৈখি। টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মখোলশিং অদু অসুম অসুম নকশিল্লকপদগী কৈদৌরবগে হায়দুনা ইচা অমা খূৎ শম্লগা পুথোরক্তুনা য়েংখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# ঙসি মহৈরোয় লূপ ৬না 'ঐখোয়গী তুংলমচৎ কল্লসি' হায়বা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা চহী কয়াদগী লমদমসিদা লাকপা শীংনবশিং মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংগী ঈহৌগা লোয়ননা থেংনদুনা লাক্লি হায়রদুনা এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসনচিংবা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী লুচিংবশিংনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা মহৈরোয় লূপ তরুক্লসু লিশাং শিংনা তোঙান তোঙানবা ঈহৌ খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপগী মখা চংখরকপা ওইনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিগা মরী লৈননা মহৈরোয় লূপ তরুক্না শীন্দুনা হয়েং খুমন লম্পাক্তা 'ঐখোয়গী তুংলমচৎ কল্লসি' হায়না মিংথোনবা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোল্লগনি হায়রি।

মীফম অসিদা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীয়ু। দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি মপূং ফাহনবীনবা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

## বোম পোকখায়হনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পি এসকী মনুং চনবা মোইদাংপোক খুঞ্জাওগী মফম অমদা পেরা সেলনি চিংনবা বোম অমা লৈরম্বদগী মফম অদুগী মীয়াম পাখৎনখ্রে। অদুম ওইনমক পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্লগা অশোক অপন য়াওহন্দনা পোকখায়হনখ্রে। বোম অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা খুল অসি তম্না কাপ্লকপা ওইগনি থাজনরি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫